# পাকিস্থান অসি টেররিজমগী ইপিসেন্টরনি হায়বসি মালেম পুম্বনা খঙই: এস জয়সঙ্কর




যুএন, দিসেম্বর ১৬ (এজেন্সী):

পাকিস্থানবু টেররিজমগী ইপিসেন্টরনি হায়না শকখঙবগী ৱাফম লাকপা মতমদা মালেম অসি পঙবা লৈতে, কাউবসু লৈতে হায়না ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা ফোঙদোকখ্রে।

কাউন্টর টেররিজমগী মতাংদা শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোকপা ব্রিফিংশিং খন্নখিবা স্পিসল সেসন অমা লোইরবা মতুং যুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী চেম্বরগী মপানদা পাঙথোকপা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা জয়সঙ্করনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মালেম পুম্বনা পাকিস্থানবু টেররিজমগী ইপিসেন্টরনি হায়বসি খঙনরবা ৱাফম ওইবনা পাকিস্থাননা টেররিজমগী মহুত্তা মালেমগী দিভলপমেন্ট এজেন্দা অসিদা মায় ওনশিন্দুনা হান্না তৌখিবা অরানবশিং থাদোক্লগা অচুম্বা থবক তৌবনা লৈবাক অসিগী অফবা ওইগনি হায়না ন্যুজ কনফরেন্স অদুদা জয়সঙ্করনা ফোঙদোকখি। পাকিস্থানগী টিভি জর্নেলিষ্ট অমনা সাউথ এসিয়াদা টেররিজম কয়াম কুইরগা লেপখিগদগে হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা জয়সঙ্করনা ৱাহং অদু হংলিবা মিনিষ্টর ওন্নরে হায়খি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি পাকিস্থান মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিনা মতম কয়াম শাংনা টেররিজমগী থবক থৌরমশিং চথুখিগদগে হায়বা ঙমগনি। মালেম পুম্বনা পাকিস্থানবু টেররিজমগী ইপিসেন্টরনি হায়বসি খঙনরবা ওইবনা হৌজিক্তি লৈবাক অসি হিরম অসিগী মতাংদা কনামত্তবু চমম্লহনবা ঙম্লরোই হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, পাকিস্থানগী থবক থৌওংশিং মালেম পুম্বনা খঙনরবনিনা হৌজিক্তি ঐহাক্না পীনিংলিবা এদভাইসতি লৈবাক অসিনা হান্না তৌরম্বা অরান অহুইশিং থাদোক্তুনা অচুম্বা ৱাখলগা লোয়ননা অফবা য়ুমলোন্নবা অমা ওইনবা হোৎনবীয়ু হায়বসিনি। মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংনা হোৎনরিবশিং হায়বদি ইকনোমিক গ্রোঠ অমসুং দিভলপমেন্ট অসিদা লৈবাক অসিনসু কন্ট্রিব্যুট তৌগদবনি।

ইন্টরভিয়ু অদুদা জয়সঙ্করনা মহাক্কী ৱাফম অদু পাকিস্থানি জর্নেলিষ্ট অদুগী টিভি চেন্নেলগী খুত্থাংদা লৈবাক পুম্বনা খঙবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি। পাকিস্থানদা থোক্লিবা টেররিজমগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা ইন্দিয়া চেন্নবগী মতাংদা দোসিয়র অমা শেল্লি হায়বা পাকিস্থানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর রনা সনৌলানা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা হংবদা জয়সঙ্করনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না তৌগদবা ক্লেম অমা মহাক্না ওইনা তৌরকপা অসিদা ঐখোয়দা অঙকপা পোকই।

চহী তরামুক্কী মমাঙদা রনানা মিনিষ্টর অমা ওইরিঙৈ হিল্লারি ক্লিন্টননা পাকিস্থানদা খোঙচৎ অমা লাকখিবদা মঙোন্দা ৱার্নিং তৌরদুনা করিগুম্বা নহাক্কী বেকয়ার্দতা লিন লৈবা তারবদি য়ুমথংনবশিংদমক চিকউ হায়বা য়ারোই। লৈরিবা লিনশিং অদুনা মখোয়বু শেন্নরিবশিং অদুদসু শোয়দনা চিক্লক্ননি হায়খিবনি।

তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা ফজবা পাউতাক কয়া পীখিবা ওইরবসু পাকিস্থাননা পাউতাকশিং ইনবা হায়বসি অমুক্তা তৌখিদে হায়নসু জয়সঙ্করনা ফোঙদোকখি।

যুএসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ওইখিবা ক্লিন্টননা পাকিস্থানদা খোঙচৎ অমা চৎখিবা মতম অসিদা রনানা পঞ্জাব প্রোভিন্সকী লো মিনিষ্টর ওইখিবনি।

শগোলশেল নুমিৎকী মীফম লোইরকপদা কাউন্সিলনা টেররিজমগী থবক খুদিংমক মদুগী মরম অমত্তা থিদবদা জষ্টিফাই তৌবা য়ারোই হায়বা প্রসিদেন্সিএল ষ্টেটসমেন্ট কাউন্সিলনা মত অমত্তা ওইনা য়ানখি হায়না প্রেস কনফরেন্স অদুদা জয়সঙ্করনা ফোঙদোকখি।

# রসিয়ানা অমুকসু মিসাইল ষ্ট্রাইক ৬০ পাঙথোক্তুনা য়ুক্রেনদা এটেক চাওনা চথখ্রে

কিভ, দিসেম্বর ১৬ (এজেন্সী):

রসিয়ন ফোর্সশিংনা ইরাই নুমিত্তা য়ুক্রেনগী মফম কয়াদা য়ামদ্রবদা মিসাইল ষ্ট্রাইক ৬০ লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা সিটি মরিদা পোকখায়বগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে হায়না য়ুক্রেনিয়ন ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সেন্ট্রেল য়ুক্রেনদা লৈবা রেসিদেন্সিএল বিল্ডিং অমা মিসাইলনা হিট তৌবদগী য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিখ্রে। লোয়ননা য়ুক্রেনগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি অনী কিভ অমসুং খর্কিপতা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অদুনা মরম ওইদুনা ইলেক্ট্রিসিটি অমসুং ঈশিংগী সার্ভিসশিং লেপহনখ্রে।



য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভকী খা থংবা ক্রিপয়ি রি, খা নোংপোক থংবা জাপোরিজিয়া অমসুং অৱাং নোংপোক থংবা খর্কিপনচিংবা সিটিশিংদা ওথোরিটিশিংনা সোসল মেদিয়াগী খুত্থাংদা পোকখায়বা অমদি মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং সোসল মেদিয়াগী খুত্থাংদা খঙহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা অহৌবা পোকখায়বগী মখোলগা লোয়ননা এয়র দিফেন্স সিষ্টেমশিংনা কাপ্পগী মখোলশিংনা পুমনিল নিনখি।

লৈবাক শীন থুংনা এয়র রেইদ এলামশিং খোঙদুনা রসিয়ানা অমুকসু পাক্তক্লনা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং চথরক্লগনি হায়না ৱার্নিং তৌখি। য়ুক্রেনিয়ন এয়রফোর্সকী স্পোক্সমেন য়ুরি ইনহাটনা য়ুক্রেনিয়ন টিভিদা হায়খি, রসিয়ন ফোর্সশিংনা মিসাইল ৬০ হেন্না কাপশিল্লকখি। য়ুক্রেনিয়ন আর্মিনা মিসাইল মশিং কয়া য়াম্না লম্মখাংদা কাপথবা ঙমখিবগে হায়বসি খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

No. 18/2-3/2012-SW(D)
GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE: SOCIAL WELFARE DEPARTMENT

**NOTIFICATION**

**Imphal, the 15th December, 2022**

Applications are invited from interested and intending individuals in the prescribed proforma for appointment to the post of State Commissioner for Persons with Disabilities under the Government of Manipur for a period of 3 (three) years.

1. **Name of the post** : State Commissioner for Persons with Disabilities (SCPD)
2. **Headquarters** : Imphal
3. **Pay scale** : Rs. 50,000/- per month
4. **Age limit** : Not exceeding 60 years as on 01.01.2022`
5. **Educational qualification**
   - **Essential** : Graduate from a recognized University
   - **Desirable** : Recognized degree/diploma in Social Work/Law/Management/Human Rights/Rehabilitation/Education of disabled persons.
6. **Experience:**
   Should have at least 15 (fifteen) years experience in one or more of the following types of organizations at specified levels:
   (a) In a Class-I level post in central/State Government/Public Sector Undertaking/Semi Government or Autonomous Bodies dealing with disability related matters and/or social sector (health/education/povert alleviation/women and child development); or
   (b) A senior functionary in a registered national or international level voluntary organization working in the field of disability/social development; or
   (c) Senior Executive Position in a leading private sector organization, involved in social work and in charge of handling social development activities of the organization.
   Provided that out of the total 15 (fifteen) years experience mentioned above, at least three years of experience in the recent past should have been in the field of empowerment of persons with disabilities.

Application in the prescribed proforma, complete with all details, may be submitted to the Office of the Director, Social Welfare, Manipur, Directorate Complex, Near 2nd Bn. Manipur Rifles Gate, A.T. Line, North AOC, Imphal latest by **30th December, 2022.**

(Ng. Uttam Singh)
Director, Social Welfare,
Manipur

**PRESCRIBED APPLICATION FORM FOR APPOINTMENT OF THE STATE COMMISSIONER FOR PERSONS WITH DISABILITIES, MANIPUR**

---

Affix a self attested Passport Photograph (colour)

1. Name in full (block letters) :
2. Residential address with phone No. & e-mail address :
3. Date of birth :
4. Age as on 01.01.2022 :
5. Educational qualifications :
6. Research papers published:
   (Indicate details in brief and attach separate sheet)
7. Details of experience (attach separate sheet) :

| Office/organization | Brief of the organization | Post held with scale of pay/consolidated pay | Period of service from – to | Duties/job description |
|---|---|---|---|---|
| | | | | |

8. Additional details about present employment, please state whether working under
   (i) Central Government;
   (ii) State Government/UT Admn.;
   (iii) Recognized Research Institutions;
   (iv) University/Autonomous or Statutory Organization;
   (v) Public Undertakings;
   (vi) Registered Bodies (Registered under Societies Registration Act, Trust Act or any other relevant Act of States/UTs or Charitable company, licensed U/s 25 of the company Act;
   (vii) International Agency/Society/Associations etc.

   (If in a registered body – the size of the organization & field of functioning may be indicated)
9. Additional information, if any, which you would like to mention in support of your candidature.

(Signature of applicant)

HL-B/7948/17

# শেল চারম্বা ইন্দিয়ন-অমেরিকন সার্জন জেলগী চৈরাক পীখ্রে

ন্যু য়োর্ক, দিসেম্বর ১৬ (এজেন্সী):

স্পাইনেল সর্জরিশিং পাঙথোকপগা মরী লৈননা মরম চাদনা দোল্লর মিলিয়ন ৩.৩ রোম লৌশিল্লম্বগীদমক ইন্দিয়ন-অমেরিকন ন্যুরো সার্জন অমা ফেন্দরেল প্রিজনদা থা ৬০ লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

কালির্ফোনিয়াগী সেন্ট দিগোদা লৈবা মশাগী চহী ৫৫ শুরবা লোকেস এস টন্টুৱায়ানা হৌজিক্তি ফঙ্কসন তৌদ্রবা লোম বিসকী হোস্পিটাল অমদা সর্জরিশিং পাঙথোকখি। মহাকপু যুএস দিষ্ট্রিক্ট জজ জোসিফিন এল ষ্টাটননা জেলগী চৈরাক অদু পীখি। জেলগী চৈরাক্তা নত্তনা লোনা য়াদবা মওংদা মহাক্না লৌশিনখিবা দোল্লর মিলিয় ৩.৩ গী শেনফম অদুসু মৎননবসু ওর্দর তৌখি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি। টন্টুৱায়ানা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১ দা হেল্‌থ ক্যের রিফরেলশিংগা মরী লৈননা লোনা য়াদবা মওংদা শেনফম কয়া লৌবা য়ানবগী লৌতুনবা অমদা মরাল লৈরে হায়বসি য়াজখি। প্রি ট্রায়েল রিলিজকী টার্ম ভাইওলেট তৌরম্বগীদমক মহাক কুমজা ২০২১ গী মেদগী ফেন্দরেল কষ্টদিদা লৈরকখিবনি। কুমজা ২০১০ দগী ১৩ ফাওবদা মহাক্না লোম্বিসকী পেসিফিক হোস্পিটালদা ইস্পাইনেল সর্জরিশিং পাঙথোকপগা মরী লৈননা হোস্পিটাল অসিগী মপু মাইকেলদগী শেনফম কয়া লৌখি।

# মালেসিয়াগী কেম্প সাইট অমদা লেন্দ স্লাইদ থোকপদগী মীওই ১৩ শিখ্রে

কুলালম্পুর, দিসেম্বর ১৬ (এজেন্সী):

মালেসিয়াগী সেলাঙ্গোর ষ্টেটতা ইরাই নুমিত্তা লেন্দস্লাইদ অমা থোকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই কয়া থোকপা য়াদনা লৈখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি। লেন্দস্লাইদ অদু মীয়াম্না পাম্নরবা মফম অদুগী কেম্প তৌফম অমদা থোকখিবনি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মীওই ৬০ কনবা ঙমখি হায়না ফায়র এন্দ রেস্ক্যু দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

সেলাঙ্গোর ষ্টেটকী ফায়র এন্দ রেস্ক্যু দিপার্টমেন্টগী হেদ নোরাজাম খামিসনা হায়খি, লাংদা থুবগুম থোকপা য়াদনা লৈরিবা মীওইশিং অদুবু থীবা অমসুং কনবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি, য়ামদ্রবদা টিম ১২ না লেন্দস্লাইদ অদুদা হিংহৌবা মীওইশিং থীরি।

ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা দিপার্টমেন্ট অসিনা লেন্দস্লাইদ অদু থোক্লকখিবা মতমদা মীওই ৭৯ ফুমজিল্লম্বা য়াই হায়না পাখিবনি। তৌইগুম্বসুং মালেসিয়াগী নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এজেন্সিনা মতুং তাবদা মীওই ৯২ ফুল্লম্বা য়াই হায়না ফোঙদোরকখি।

চৈরকসিদা প্রাইম মিনিষ্টর অনৱার ইব্রাহিম্না ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা



লোয়ননা মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টগী বোদিশিংদা মপুং ফানা অমসুং সিষ্টেমেটিক ওইবা মওংদা থী হুম্বা অমসুং মী কনবগী থবক চথনবা ওর্দর তৌখি।

মালেসিয়ন নেসনেল ন্যুজ এজেন্সি বর্নমাগী মতুং ইন্না হৌজিক মী থীবা অমসুং কনবগী ওপরেসন অদু কে-৯ ট্রেক্কর দোক য়ুনিট অমদি সেন্টোসা, অম্পাং, পন্দান, কোটা, অঙ্গেরিক, কাজাংদান অন্দলাস ফায়র এন্দ রেস্ক্যু ষ্টেসনশিংগী ইম্মর্জেন্সি মেদিকেল রেস্ক্যু সার্ভিসকী মীওইশিংগী মতেংগা লোয়ননা চথুরি।

লৈবাক অসি হৌজিক নোর্থ ইষ্ট মোন্সুন মায়োক্লদুনা লৈরিবনি। মোন্সুনগী মতম নবেম্বরদগী হৌরগা মার্চ ফাওবনি। মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টগী মতুং ইন্না সেলাঙ্গোর য়াওনা ষ্টেট কয়াদা নোং কন্না চুরি।

# ঈকং থোক্লকপদগী কালির্ফোনিয়াগী খা থংবা শরুক্তা ইম্মর্জেন্সি লাউথোকখ্রে

সেন্টফ্রান্সিস্কো, দিসেম্বর ১৬ (এজেন্সী):

থংনা থংননা মরিশুবা চহী অমসু শাথিরবা ঈকংগী ফিভমগীদমক শেম শারদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ট্রিটমেন্ট তৌরবা ঈশিং সপ্লাই খ্বাইদগী য়াম্না তৌবা ষ্টেট ওইরিবা কালির্ফোনিয়াগী খা থংবা লমদম অপুম্বদা ঈকংগা মরী লৈননা ইম্মর্জেন্সি লাউথোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, সাউর্দন কালির্ফোনিয়াগী মেট্রোপোলিটান ৱাটর দিষ্ট্রিক্টনা লমদম অদুগী ৱাটর এজেন্সিশিংদা মখোয়না ইম্পোর্টেট সপ্লাইশিং শীজিন্নবগী চাং খুদক্তা হন্থনবা খঙহনখ্রে। সাউর্দন কালির্ফোনিয়াগী মেট্রোপোলিটান ৱাটর দিষ্ট্রিক্ট অসি ষ্টেটনা ইষ্টাব্লিস তৌবা সিটি ২২ অমসুং রিটেল সপ্লাইয়রশিংগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা কাউর্ন্টি লোস এঞ্জেলিস য়াওনা কাউর্ন্টি তরুক্কী মীওই মিলিয়ন ১৯ গী ঈশিং পীরিবা কো ওপরেটিব অমনি।

সপ্লাইয়র অসিনা হায়রি, মদুদি হৌখিবা চহী অহুম অসিদা নোংচুপ থংবদা লৈরিবা কম্যুনিটিশিং মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা মাঙ তাক্লিংঙাই ওইরবা ঈকংগী ফিভমশিং থেংনখি। অসিগুম্বা শাথিরবা ঈকংগী ফিভমশিং অসি মখা তানা ২০২৩ দসু লৈবা য়াবনা মদুগীদমক ঐখোয়না শেম শাগদবনি।

করিগুম্বা লাক্লিবা থা খরা অসিদা মখা তানা ঈকংগী ফিভম লৈবা তারবদি ৱাটর-সেভিং কোল অসি তঙাই ফদবা অমা ওইরক্লগনি হায়না সাউর্দন কালির্ফোনিয়াগী মেট্রোপোলিটান ৱাটর দিষ্ট্রিক্টনা ৱার্নিং তৌখি।

মথংগী এপ্রিল য়ৌরকপদা এজেন্সি অসিনা মসিগী মেম্বর এজেন্সি পুম্নমক্তা সপ্লাইশিংগী চাকথুং য়েন্থোকপগী ৱাফম খন্নগনি। এজেন্সিশিংনা মপানদগী পুশিল্লকপা ঈশিং শীজিন্নবগী চাং হন্থগদবনি নত্ত্রবদি এজেন্সি অসিদগী লৈবা ঈশিংদা অহেনবা ফি চাওনা চার্জ তৌগনি।

ঈকং অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জনা ইম্পোর্টেট ঈশিং সপ্লাইদা চৈথেং চাওনা লাকপনা মরম ওইদুনা লমদম অপুম্বা অসিনা ঈশিং শীজিন্নবগী চাং য়ারিবমখৈ হন্থনবা ৱাটর দিষ্ট্রিক্ট অসিনা আপিল তৌখি। এজেন্সি অসিনা চাংচৎতা সাউর্দন কালির্ফোনিয়াদা শীজিন্নরিবা ঈশিংগী চাং অপুম্বগী তঙ্খায় অমরোমদি কোলোরাদো তুরেল অমসুং নোর্দন সিরিয়াদগী ষ্টেট ৱাটর প্রোজেক্ট (এস দব্লিয়ু পি) গী খুত্থাংদা ইম্পোর্ট তৌবনি। হৌখিবা চহী অহুমগী মতম অসি কালির্ফোনিয়াগী পুৱারীদা খ্বাইদগী কংবা মতম ওইদুনা সাউর্দন কালির্ফোনিয়াদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা এস দব্লিয়ু পিনা ঈশিং পীবগী চাং হন্থখি হায়রি।

# রসিয়ানা লান ঙমদ্রবদি মালেম পুম্বা মাঙ তাক্কনি: দুগিন



মোস্কো, দিসেম্বর ১৬ (এজেন্সী):

রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী মশক নাইবা মীচং অমা ওইরিবা অলেকজেন্দর দুগিননা হায়খ্রে, মদুদি হৌজিক য়ুক্রেনদা শোক্লরিবা লান অসি রসিয়ানা ঙম্লগা লোইশিনগনি। মসি নত্ত্রবদি মালেম পুম্বা মাঙ তাক্কনি।

মহাক্না ৱাফম অসি টিবি ৯ ভারত ভর্স চেন্নেলগী এক্সক্লুসিব ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবনি।

দুগিননা হায়খি, ওইথোকপা য়াবা ফিভম অনী লৈ অহানবদা হৌজিক শোক্লরিবা লান অসি ঐখোয়না মায় পাক্লবা মতমদা লোইশিনগনি। মসিমকসু অরাইবা থবক অমদি নত্তে। অনীশুবা ওইথোকপা য়াবা অমদি লান অসি মালেম পুম্বা পুম্লোই লোইবগা লোয়ননা লেপ্পগী ফিভম অসিনি। করিগুম্বা ঐখোয়না লান অসিদা মায় পাক্তবা তারবদি মালেম অসি মাঙ তাক্কনি হায়না পুটিনগী গুরু নত্ত্রগা পুটিনগী ব্রেননি হায়না পাক শন্না খঙনরবা দুগিননা ইন্টরভিয়ু অদুদা ফোঙদোকখি।

'য়ুক্রেনিয়ন টেররিষ্টশিং'গী খুৎতা মহাক্কী মচানুপী শিখিবগী থৌদোক নীংশিংদুনা শিন লাংখিবা ইভেন্ট অমগী নাকোয়ননা দুগিননা টিভি-৯ ভারত ভর্সকী এক্সক্লুসিব ইন্টরভিয়ুদা ৱা ঙাঙখিবনি।

মহাক্কী মচানুপী মারিয়া মশাগী চহী ৩০ চঙলকপদা টেররিষ্ট এটেক অমদা লৈখিদবনি হায়না ইন্টরভিয়ু অদুদা দুগিননা ফোঙদোকখি। মচানুপী শিখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা দুগিননা হায়খি, মদুদি করিগুম্বা টেররিষ্টশিং অদুনা মচানুপীগী মহুত্তা মহাকপু হাৎপা পাম্লম্লবদি মহাক্না অনীরক ফাওবা হাৎহনবা পাম্লমগনি।

হৌজিক শোক্লরিবা লান অদু রসিয়া অমদি য়ুক্রেনগী মরক্তা শোক্লবা লান নত্তে হায়না পল্লদুনা দুগিননা হায়খি, মদুদি লান অদু লৈবাক অনীগী মরক্তা নত্ত্রগা রসিয়া অমসুং নোংচুপলোমগী মরক্তা শোক্লবা নত্তে। তৌইগুম্বসুং মীওইবা খুন্নাই অমসুং লৈবাক খুদিংমক, কলচর খুদিংমক অমসুং মীওই খুদিংমকপু এটেক তৌরিবা ফত্ত্রবা পৱারগী মরক্তা মুক্লরকপনি। অসিগুম্বা ফত্ত্রবা পৱার অসিনা মীওইবা খুন্নাই অমসুং অচুম্বা হায়বা অসিবু তুম্না মাঙহনবা পাম্মী হায়না মহাক্না মখা তাখি।

REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Government of India)
IMPHAL : MANIPUR

**NOTICE**

Imphal, the 16th Dec., 2022

No.B/2661/2013-RIMS/2521: A walk-in-interview will be held on 5th Jan., 2023 at 11.00 a.m. in the Conference Room of Jubilee Hall, RIMS, Imphal for engagement of suitable person as Radiotherapy Technologist on contract basis for a period of 6 (six) months extendable on satisfactory performance. Interested candidates having the qualification, experience and within the upper age limit as shown against the jobs may attend the Walk-in-interview on submission of an application enclosing their bio-data. The candidates have to produce their original certificates, testimonials before the Selection Board.

Applications will be received upto 4:00 p.m. of 31st Dec, 2022.

| Sl. No. | Post | Consolidated pay | No. of post | Qualification and experience | Upper age limit |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Radiotherapy Technologist | Rs. 20,250/- | 1 no. | 1. 10+2 or its equivalent with Science subjects from a recognized Board. 2. 2 years Diploma holder in Radiotherapy Technology after 10+2 Science. Desirable: Minimum 1 (one) year experience in handling Radiotherapy equipment after passing | 35 years |

**Sd/- Naorem Indrakumar Singh**
Deputy Director (Admn.),
Regional Institute of Medical Sciences,
Imphal

HL-B/7950/17

**MANIPUR UNIVERSITY CANCHIPUR - IMPHAL**

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE/414**

Dated, the 15th December, 2022

No. MU/3-7/Convo/22/Aca (Conv-XV): It is hereby informed to all concerned that the XV Convocation of the University will be held tentatively in the month of January 2023. The list of Gold Medalists & Cash Awardees from the Year 2013 to 2020 have been Published in the University website. Kindly visit the weblink "15th Convocation 2023" at www.manipuruniv.ac.in

This issues with the approval of the competent authority.

**Sd/- Dr. R.K. Joteen Singh**
**Deputy Registrar/Admn**

HL-B/7946/16,17